# গভর্নর, সী এম য়াওনা দিৱালিগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯(ঐচ এন এস): মণিপুরগী গভর্নর ডো. নজমা এ হেপ্তুল্লা অমদি চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী য়াওনা মীওই কয়ানা দিৱালিগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

গভর্নরনা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, দিৱালি কুম্মৈনা লাকপদা মণিপুর মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। দিৱালি ইনি দয়াগী ওইনা অচৌবা ফেষ্টিবেলশিংগী মনুংদা অমনি। লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোক্লুরি। ফেষ্টিবেল অসিনা অচুম্বা অমদি অফবগী মঙাল পীরি। দিৱালিগী মৈঙাললনা লমদম অসিদা ঈং-তপ্পা, চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা দিৱালিগী য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, দিৱালি ফেষ্টিবেলনা লাকপদা মণিপুর মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি। ফেষ্টিবেল অসিনা মায় পাকপগী সিম্বোল পীরি। ফেষ্টিবেল অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা মচিন-মনাও ওইবগী মরী চেৎশিনহনবগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা, নুংশি-চান্নবা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

দিৱালি ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী দেপ্যুটি স্পিকর এম কে প্রেসো সিমরেন অমসুং বি জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী লেজিসলেচর ৱিংগী লূচিংবা খুমুকচম জয়কিষণনসু য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। ফেষ্টিবেল অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা নুংঙাই য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু মখা তারক্লি।

দিৱালি ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা খুরাই এ সীগী এম এল এ ডো. এন জি বিজয়নসু মণিপুর মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

আই জি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরল বি এস শ্রীনিবাস অমদি অসাম রাইফলসকী তোঙান তোঙানবা রেঙ্ককী ওফিসারশিংনসু দিৱালি ফেষ্টিবেলগী য়াইফ পাউজেল পীরি হায়নসু আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। দিৱালি ফেষ্টিবেলনা লাকপদা লমদম অসিদা মচিন-মনাও ওইবগী মরী চেৎশিনহনবগা লোয়ননা ঈং-তপ্পা পুরকপা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) মণিপুর প্রদেশকী মায়কৈদগীসু দিৱালি ফেষ্টিবেলনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরি হায়না বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কে ভবানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। অমম্বা কোকহন্দুনা অচুম্বনা অরানববু মায়থিবা পীবগী অমদি অমকপা লৈতবা লৈঙাক অমগীদমক দিৱালি কুম্মৈনা লাকপদা লমদম অসিদসু মহয় ফংবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# হৈঙাং এ সীগী পোলিটিক্সতা খুৎ থিংজিনবীরক্কনু: ললিতচন্দ্র

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯(ঐচ এন এস): হৈঙাং এ সীদা লুখোই কৌবা মীওই অমনা প্রসিদেন্ট ওইবা ভারতিয়া জনতা পার্টি মন্দল অসি নত্তনা অতৈ মন্দল অমত্তা পার্টিনা মশক খঙদে। মরম অদুনা মন্দল শারিবশিংগী মথক্তা দিসিপ্লিনরি এক্সন লৌখৎকনি হায়না বি জে পিগী স্পোক্সপর্সন ওইরিবা আর কে শিবচন্দ্রনা মিদিয়াদা ঙসি ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অসি হকচিন্না লৌই। হৈঙাংগী পোলিটিক্সতা কৈশামথোং এ সীদা লৈবা শিবচন্দ্রনা খুৎ থিংজিনবীরক্কনু হায়না হৈঙাং বি জে পি মন্দলগী জেনরেল সেক্রেটরি ওগর্নাইজেসন্নি হায়বা এম ললিতচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

হৈঙাং ময়াই লৈকায়দা লৈবা বি জে পি হৈঙাং মন্দলগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ললিতচন্দ্রনা হায়খি, হৈঙাং এ সীদা লৈরিবা চিংঙাখম ইবোয়াইমনা প্রসিদেন্ট ওইবা বি জে পি মন্দল অসি আর কে শিবচন্দ্রনা মশক খঙদে হায়না মিদিয়াদা ফোঙদোরকখিবা অসি লাইবক থিবনি। মন্দল অসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী প্রসিদেন্টগী মতমদা চহী অহুমগী ওইনা শেম্লম্বা মন দলনি। সেন্ট্রেলগী লীদরশিংনসু মশক খঙলবা মন্দল ওইবতা নত্তনা পোলিটিকেল কনফরেন্স কয়াসু মন্দল অসিনা পার্টিগী থাক্তা শীনখ্রে।

বি জে পি হৈঙাং মন্দলনি হায়বা লুখোই কৌবা অমনা প্রসিদেন্ট ওইরিবা মন্দল অসিগী প্রসিদেন্ট নত্তনা অতৈদি কোংগ্রেসতা চংখ্রবনি। ইবোয়াইমনা প্রসিদেন্ট ওইরিবা মন্দল অসিনা হৈঙাং এ সীগী মীওই লিশিং ১০ রোমসু বি জে পিদা এনরোল তৌখিবা লৈখ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এন এস সী এন (আই-এম) অমা, কে ৱাই কে এল অমা ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯(ঐচ এন এস): পল্লেল কৈথেলদা লগাও খাওবা মীওইদগী শেল লৌনবা হোৎনরম্বা এন এস সী এন (আই-এম) গী কাদর অমা থৌবাল পুলিস কমান্দোগী টিম অমনা ফারে হায়রি।

ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা মতমদা পল্লেল কৈথেলদগী থৌবাল পুলিস কমান্দোনা ফারবা এন এস সী এন (আই-এম) গী কাদর অদুদি খালিং মোসাং (২৫) অপোকপা কেঐচ সঙ্গিনসাং কৌই। মহাক ককচিং লমখায়দা লৈবা খোইবু সেন্তরদা লৈবনি। মহাক্না পল্লেল কৈথেলদা লগাও খাওফমশিংদগী শেল খায়নবা হোৎনরিঙৈদা পুলিস কমান্দোনা ফারগা ককচিং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নরক্লে হায়রি।

অমরোমদা কমান্দো টিম অসিমক্না ঙসি কে ৱাই কে এলগী কাদর অমসু থিয়াম কোঞ্জিনদগী ফারে হায়রি। ফারবা কাদর অদুগী মমীংনা কাঙবম সুন্দর (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ভৈগ্য কৌই। মহাক থিয়াম কোঞ্জিন অৱাং লৈকায়দগীনি হায়রি। মহাক কে ৱাই কে এলগী মশানা মশাবু লেফটিনেন্টনি হায়জবা রঘুনাথগী কম্মান্দ মখাদা থবক তৌবনি হায়রি। মহাক্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা প্রধান অহুমদা লুপা লাখ অমমমগী দিমান্দ লেট্টর পীখ্রে হায়রি। মঙোন্দগী হোন্দা এক্টিভা (এমএন০১এল/৪৪৩৩) গ্রে মচু অমা অমদি মোবাইল হেন্দসেট লোয়ননা সিম কার্দ অনীসু ফঙলে হায়রি।

# এ আরনা জিরিবামদা নিঙোলশিং চাক্কৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯(ঐচ এন এস): চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা মচিন মৌপ্বাগী নুংশি চান্নবগী মরী অমদি মপাম লমদমদা নিঙোলশিংবু চাক্কৌবগী থৌরম অমা ওইনা জিরিবামগী কদমতলাদা লৈবা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা জিরিবামদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মৈরা পায়বী, সী এস ও অমদি জিরিবামগী মকোক থোংবা ওফিসরশিংসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা এ আরগী সী ও হাওবম রোমেসনা শরুক য়াবা লাক্লিবা নিঙোলশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎ অমমমসু পীখি হায়রি।

# ইবোয়াইমা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯(ঐচ এন এস): মণিপুরগী থবক থৌরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ফাদর ওফ সোসল ৱার্করগী মিংথোল ফংখ্রবা ইরাবত ফাউন্দেসন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট অমসুং অমুকোগী চীফ এদভাইজর ওইরম্বা থৌনাওজম ইবোয়াইমনা লৈখিদবদা ওল কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন মোরে (একোদোম)না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

একোদোমগী জেনরেল সেক্রেটরি বুধা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থৌনাওজম ইবোয়াইমনা লৈখিদবা অসি মণিপুর মীয়ামগী অমদি তুংগী মরোলগীদমক অচৌবা মাঙজবনি। মণিপুর মীয়ামগীদমক মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অচৌবা অৱাৎপা অমা ওইহৌরগনি। পাবুং ইবোয়াইমনা হিংলিঙৈদা মীয়ামগীদমক লৌরম্বা থৌদাংশিং অদু নৌহৌননা নীংশিংবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চীক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজরি। পাবুংগী লৈহৌরিবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ঙৌদোং ওপরেসন তৌখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯(ঐচ এন এস): লোক্তাক পৱার ষ্টেসন এন ঐচ পি সীনা নেত্রা জ্যোটি প্রোজেক্টকী মখাদা শীজ আই ক্যের ফাউন্দেসনগা খুৎশম্নরগা লেম্না ঙৌদোং ওপরেসন তৌবগী থবক চথখ্রে হায়না লোক্তাক পৱার ষ্টেসনগী দেপ্যুটি চীফ মেদিকেল ওফিসরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, অহানবা রাউন্দগী ওইনা ঙরাং অনাবা মীওই ১২ রোম ওপরেসন তৌখি। লোক্তাক পৱার ষ্টেসন্না হেল্থ ক্যের সেক্টরদা মীয়ামগীদমক প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎখিগনি।

# নুংশি ফৈজে-২ গী প্রেমিয়র শো উৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯ (ঐচএনএস): এ দ্রীম ইন্টরটেন্টমেন্ট প্রদক্সনগী চৌইন লাইনা দিরেক্সন পীরগা নাওথি ইরোম্না প্রদ্যুসর ওইদুনা পুথোকপা মণিপুরী ফিল্ম *নুংশি ফৈজে-২* ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ভগ্যাচন্দ্র ওপন এয়র ঠিএটর (বোট) দা রিলীজ তৌদুনা প্রেমিয়র শো উৎখ্রে।

*নুংশি ফৈজে-২* রিলীজ তৌবগী থৌরমদুদা লংথবাল জিল্লা পরিষদকী মেম্বর রোনেলনা প্রসিদেন্ট, বি জে পিগী স্পোক্সপার্সন আর কে শিবচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট অমসুং নেসনল এৱার্দি সনাথোই লাইশ্রমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

*নুংশি ফৈজে-২* ফিল্ম অসিগী ম্যুজিক দিরেক্টরনা বিশো চনম অমদি বিনোৎনি। ফিল্ম অসিদা বোনি, খাবা, সোমানচিংবা শক্লাইরবা এক্টরশিংনা শক্তম লাংলি।

# বাবুপারা মনুংদা লগাও খাওবা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৯(ঐচ এন এস): মিনিষ্টর অমদি এম এল এশিং লৈরিবা ইম্ফালগী বাবুপারা মনুংদা লগাও য়াম্না তোয়না খাওবগী থবক চথুরি।

ঙসি অয়ুক পুং ৯ রোম তাবা মতমদা মফম মঙা তরুকলোম লগাও খাওবগী থবক চথবা থেংনরকখি। নুংথিলগী মতমদসু বাবুপারাগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লগাও কন্না খাওরি। মফম অদুদা লগাও খাওরিবশিং অদু পুলিস ওফিসর য়াওনা চৎতুনা ফাগৎলবসু মখা তানা হেক্তা লগাও খাওবগী থবক চথুরম্মী হায়রি। মিনিষ্টর অমদি এম এল এ ক্বার্টরগী এরিয়াদা লগাও খাওবা অসিনা মীয়াম্না চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লুরে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অকনবা মীৎয়েং চংবীনবা অপিল তৌরক্লি।


## STAFF NURSE WANTED

Wanted Staff Nurses urgently for a Medical Clinic at Thangal Bazar. If anybody wants the post please contact the telephone number below.

HL-C/047/27&28,29,30,31 ☎ 0385-2445966

## ফিনুংদা হাক্কৎচবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা ফহনবগী ওজা কবিরাজবু পাউচেদা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা ফিনুংদা হাক্কৎচবা, অমাঙথোং ময়াদা চেকখায়বা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থরকপা, অমাঙথোং মনুংদা চাথৎপা, তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** দা মতম খরা চৎলগা হিদাক চাবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা কয়ামুদ্দিনবু মীয়ামগী সেবা কুইনা তৌহনবীসনু হায়না ঈশ্বরদা থৌনিজরি।

**1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 12.00 noon. , 2. Hatta Minuthong Bazar : 1.00 pm to 5.00 pm**

*থাগৎচরিবা :* **Sarungbam Sova Singh**
Wangjing Bazar

HL-B/3371/08/10-07/11


## ANNOUNCEMENT

The student union election, 2016-17 of Lilong Haoreibi College was held peacefully on the 25th of October, 2016 and the following students noted below are elected as Secretary in different secretaryship :

1. General Secretary : Makakmayum Awesh Karmi
2. Finance : Md. Sulpha
3. Magazine : Makakmayum Wasim Khan
4. Social and Culture : Salim Khan
5. Games and Sports : Hamidur Rahman
6. Debate and Extension : M.M. Azid Khan
7. Boys' Common Room : Md. Shahidur Rahaman
8. Girls' Common Romm : Souda Begum

*Sd/-* **Returning Officer**
Students' Union Election, 2016-17
Lilong Haoreibi College, Lilong

HL-P/10410/30

## ওজা শরদকুমার লোংজমবু থাগৎচরি



**শরদকুমার**

নুঙগী লায়েংবা পন্থৌ ইপা ইবুংঙো **লাইশ্রম নবকিশোর** শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইম্ফালনা ইবিবা **"চুম্মী" হায়না লৌবীব্রা? "লাল্লি" হায়না লৌবীব্রা?** হায়রিবা লাইরিক অসিগী ১৮ শুবা খুৎনম পাজরুবদগী ঐগী য়ুম্বাল পুন্সিদা পানশিঞ্জবা য়াবা কয়া য়াওবগা লোয়ননা মতিক চাবী মমা-মপা ওইবা য়াবগী পাউতাক য়াওরবা অসুক্কী মতিক কান্নবা ফঙলবা লাইরিক অসিবু মীপুম খুদিং পাহঞ্জনীংবগা লোয়ননা লাইরিক অসিবু তুংগী মীরোলগীদমক খনবীদুনা মৈতৈ ময়েক্তা ফোঙদোকপীরিবা ওজা **শরদকুমার লোংজম,** প্রিন্সিপাল, সনসাইন একাডমী মোইদাংপোকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*থাগৎচরিবা :* **CHINGKHEITON HUIDROM**
Khongpal Kongkham Leikai

HL-P/10276/28/10-27/11

## CONDOLENCE



The Manipur College staffs and students received with a heavy heart the sad news of the demise of **Thounaojam Iboyaima Singh**, one of our founding members, on the 28th October, 2016. Popularly known as the Father of Social Work, the centurion social activist will always be remembered in the succeeding generations through his exemplary works of social upliftment, particularly in the struggle for Social and Political Justice and Ching-Tam Unity. The staffs and Students of Manipur College gathered in a humble way at the seminar hall at 11.30 a.m. today, the 29th October, 2016 and condoled his death by observing two minute-silence, offering a solemn prayer to the almighty that He might shower blessings upon the departed soul. The meeting remembered **Pabung Iboyaima** as a dedicated Social Worker and Activist, uniquely endowed with inexhaustible spirit, who had loved Manipur to the core of his heart and who had taken a key-role in the erstwhile venture of founding and running the Manipur College in the late 1950s and early 1960s. We share the tearful sorrow of the bereaved family at the loss of such a noble soul and a good human being. May his soul rest in peace in the Heavenly Abode.

*Sd/-* **Dr. R.K. Radhakrishore Singh**
***Principal***
**Manipur College Singjamei, Imphal**

HL-P/10407/30


## ইঙ্খোল অমা য়োঙ্গরি

**Sagolband Thingom Leikai Community Hall** গী মনাক্তা লৈবা **Point 6** মুক চাওবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঙ্গরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকপা য়াগনি।

HL-P/10030/27,29&30 ☎: 8413009286 / 7423957776


## অৱাবা ফোঙদোকচবা



চিংঙু শিল্লৈ শিন্থা লুপ, শিংজমৈ কোংবা লম্বীগী লুপ অসিনা হেক হৌদোরকপদগী লোয়নজরক্লবা অহল ইবুংঙো মীয়াম্না "ফাদর ওফ সোসল ৱার্কর" মীংথোল পীদুনা ইকাইখুম্নখ্রবা **থৌনাওজম ইবোয়াইমা** না লৈখিদবদা লুপ অসিগী লুচিংপুরেল লাইশ্রম রাজেন্দ্রকুমার (লমঙানবা) খুমননা ময়াই তাংবল লৌবিদুনা লুপকি থৌমীশিংগা লোয়ননা মীনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা মপুগী মফমদা লৈখিদবগী থৱাই মিরেলনা ইংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজখি লোয়ননা লৈখিদবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু থম্মোয় শেংনা শরুক য়াজরি।

*সহি :-* **ইরোম ইবোতোন মঙাং**
*থৌবুরেল*
**চিংঙু শিল্লৈ শিন্থা লুপ**

HL-P/10401/30

## OFFICE OF THE DISTRICT PROGRAMME CO-ORDINATOR (MGNREGA) BISHNUPUR

### NOTIFICATION

Bishnupur, the 29th October, 2016.

No. 15/ES/MGNREGA (B)/2011-12: A walk-in interview for engagement of 1 (one) post of Technical Assistant (TA) and 2 (two) posts of Gram Rojgar Sahayak (GRS) on contractual basis under MGNREGA in respect of Bishnupur District shall be conducted in the office chamber of DC/District Programme Co-ordinator, MGNREGA, Bishnupur on 14th November, 2016 from 11 a.m. The educational qualification and other service conditions shall be as prescribed by the Government of Manipur, details of which can be obtained from DC/ District Programme Co-ordinator, MGNREGA office, Bishnupur. All eligible and intending candidates may attend the interview with relevant documents.

This issues with the approval of Government under its letter no. 1/12016-17/RD (MGNREGA), dated 21st October, 2016.

Sd/- **M. Harekrishna**
DC/District Programme Co-ordinator
(MGNREGA), Bishnupur.

HL-B/3432/30

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF FISHERIES: LAMPHELPAT

### NOTIFICATION

Lamphel, 28th Oct., 2016

**No. FD/Estt/353/LDC/Steno/2015:** The following candidates for the post of LDC/Computer bearing under-mentioned Roll Nos. are eligible for appearing in the interview/Viva Voce which will be held on 02/11/2016 at 8.00 am at the Directorate of Fisheries, Lamphel. Candidates should be accompanied with the original testimonial documents at the time of interview.

**Roll Numbers:** Not in order of merit

**1. Computer:** 0003 005 0032 0034 0035 0036 and 0040

**2. L.D.C:**

| | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 0006 | 0011 | 0030 | 0066 | 0070 | 0074 | 0096 | 0099 | 0145 | 0186 | 0198 |
| 0271 | 0276 | 0287 | 0293 | 0312 | 0314 | 0319 | 0333 | 0354 | 0371 | 0420 |
| 0477 | 0485 | 0517 | 0524 | 0536 | 0555 | 1169 | 1170 | 1383 | 1429 | 1430 |
| 1447 | 1449 | 1450 | 1454 | 1458 | 1484 | 1555 | 1597 | 1600 | 1611 | |

Further, shorthand speed test and Viva-Voce for Stenographer -II & III will be held on 02/11/2016 and 03/11/2016 at 11.00 am respectively at the Directorate Office Complex, Lamphel.

*Sd/-* **David K. Shimray**
**Director of Fisheries, Manipur**

HL-P/10409/30

## OFFICE OF THE RIVALRY GUIDANCE CENTRE

E.M. NO. 14/006/21/06926. GOVERNMENT OF MANIPUR
(**DIRECT SELECTION**)

### BANKING STAFF

| Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|
| Bank Office Operational Staff | Grad | 18,000 - 35,000 |
| Sitting Staff, Ac Opening Staff | Grad | 15,000 - 25,000 |
| Loan Officer, Insurance Staff | XII | 10,000 - 23,500 |
| Credit Card Staff (Sales and Tele caller) | XII | 8,000 - 15,000 |
| CSP (Customer Service Point) | XII | 8,000 - 15,000 |
| **2. AIRPORT STAFF** | | |
| Ground Head Officer, Cargo Executive | Grad | 20,000 - Above |
| Ground Cabin Staff, Air Announcer | XII | 16,000 - 23,000 |
| Air Hostess, Flight Steward | XII | 45,000 - Above |
| CSA, Management Staff | Grad | 21,000 - 27,000 |
| Air Ticketing, Weight Checking | X | 10,000 - 25,000 |
| Cleaner, Loader, Driver | VIII | 8,000 - Above |
| **3. HOSPITAL, MALL, PVT. OFFICE** | | |
| Accountant, Office Assistant | XII | 7,000 - 15,000 |
| Showroom Sales Boys/Girls | X | 5,000 + incentive |
| Reception, Front Office | X | 4,500 + incentive |
| Nurse, Lab. Technician | X | 4,500 - Above |
| Data Entry Operator | X | 7,000 - 15,000 |
| Writing Job at Home | X | 10,000 - 7,000 |
| Driver, Helper, Malli, Chowkidar | VIII | 5,000 - 7,000 |
| Security, Supervisor | VIII | 5,000 - 10,000 |

**Interview Date : 10/11/2016**
**Last Date of Submission : 09/11/2016**
**Office Hour : 09:30 a.m to 04:00 p.m.** **Please Contact**
☎ **8575340288 / 7085508060 / 9089742445**
Keishamthong Moirangningthou
Leirak Machin Nambul Mapal

HL-P/10173/28,30 & 3,5,7 Nov.


## WALK-IN INTERVIEW

**BANKING OFFICER**

Sr. Banking Officer : 15 post.
Eligibility : 10+2 or any Graduate.
Salary : Rs. 19,200 to Rs. 45,000/-
Posting : North East & Manipur at ICICI, AXIS, HDFC, YES BANK etc.

**MERCHANT NAVY**

Application are invited vacancy for Supply Vessel & Cargo Vessel at Saudi Arabia, Singapure, Dubai, Veitnam.
Eligibility: X or XII
Training: Ramana Academy of Maritimes Studies, Navi Mumbai under Director General of Shipping, Govt. of India. *After training Indos no., CDC, Visa & placement will offered.*
Salary : Starting Rs. 25,000 to Rs. 70,000/-
*Opportunity to travelling 32 countries earn handsome amount of money at your early age.*

**Airlines**

Join Airlines ground staff and cabin crew.
Eligibility : 10+2. Age : 17 to 30 (M/F)
Salary : Rs. 15,000/- to 45,000/-
Posting : Guwahati, Delhi, Banglore, Jaipur

**WALK-IN INTERVIEW: 08-11-2016**

**Contact : 8415916893 & 8794348098**
Keishampat,Opp. Tidim Oil Pump at HRC Office

HL-B/3302/28,30 &1,3,5Nov.

## মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

**Regd. No. 4277 of 82 April**
Phone No. **9615533737, 9856271907**
**DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee**

HL-B/3334/23/09-22/10


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## SECRETARIAT: PLANNING DEPARTMENT

### NOTIFICATION

Imphal, the 27th Oct., 2016

**No. 1/57/2015-Plg :** On the basis of written test examination held on 25th September 2016 and typing test held on 4th October 2016 for the recruitment of 5 L.D.Cs in the Secretariat Planning Department, Manipur, it is to inform that all candidates bearing the following roll numbers are qualified for appearing the personal interview / viva voce:

| | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 16 | 44 | 47 | 61 | 63 | 93 | 101 | 105 | 116 |
| 126 | 158 | 163 | 172 | 173 | 174 | 188 | 194 | 203 | 217 |
| 222 | 231 | 243 | 244 | 256 | 287 | 291 | 309 | 343 | 355 |
| 357 | 364 | 379 | 423 | 426 | 428 | 450 | 476 | 525 | 527 |
| 530 | | | | | | | | | |

2. The personal interview/viva voce will be held on 4/11/2016 (Friday) at 10 am in the office chamber of the Director, Planning Department Manipur, Imphal. All qualified candidates are requested to appear the interview / viva-voce. No complaint whatsoever, from any candidates who fails to appear the interview / viva-voce will be entertained.

3. All the Candidates are required to bring the original Admit Card. No candidate will be allowed to appear viva-voce without Admit Card. Further, all the candidates are required t[redacted]s/ testimonials in original in support of their academic / ty[redacted]e indicating service length / age / ST / SC and OBC.

*Sd/-* **Dr. Th. Munindro Singh**
***Director***
**Planning Department**

HL-B/3429/29 & 3[redacted]

## CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Certificate of HSLC Examination, bearing Roll No. 100 of 1972 issued by BOSEM, on the way at Bishnupur Bazar on 25/10/2016. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* Khangembam Khogendro Singh**
Bishnupur Ward No. 6, Bishnupur
Sub-Division, District: Bishnupur, State: Manipur -795 126

HL-P/10403/30


SANGAI INTERNATIONAL UNIVERSITY MANIPUR
(Established by State Government & Recognized as per Section 2 (f) of UGC Act, 1956 Govt. of India)

KVK-Bishnupur District, Manipur
Email: pcbishnupurkvk@gmail.com & imotombadrrajkumar@gmail.com

ICAR

## ADMISSION NOTICE

FOR THE CURRENT ACADEMIC SESSION 2016-17 (WINTER SESSION)

Admissions open for the following courses:

i. B.Sc. Agriculture.
ii. B.Sc. Horticulture.
iii. M.Sc. Agriculture (Agronomy, Plant Breeding, Plant Pathology).
iv. Ph.D. (Agriculture-Plant Pathology, Botany-Plant Pathology). *
v. M.Sc. (Biotechnology).
vi. BCA & MCA.
vii. Other courses.

* Condition apply

For Admission Details please contact:
Dr. R.K. Imotomba Singh,
Principal Scientist & HEAD, KVK-Bishnupur and
Coordinator External Centre, Sangai International University.
Utlou, Bishnupur District, Manipur
Mobile No.: 09436020718, 09612001945, 7005097835
email : imotombadrrajkumar@gmail.com & pcbishnupurkvk@gmail.com

Utlou, the 29th October, 2016

HL-P/10408/30